# ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবা




- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

ঐখোয়গী লমদমসিদদি চাক্লা মরুওইনা চান্নবনা ফৌসি মফম খুদিংমক্তা থানরি। হৌজিক্কী মতমদদি ফৌ থাবা মতমদা হার হাপ্পনা মমাঙ থানা চৎলি। মরমদি ষন্থি-ষণয়ুংসি মরাং কায়না ফংদবনা ষন্থি-ষণয়ুং নৎত্রগা অতোপ্পা ওক, হামেঙ, ঙানু, য়েন অসিনচিংবগী মথি-ময়ুংসু হার ওইনা শীজিন্নবা য়াই। হৌজিক্কী মতমসি ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা মায় ওনশিনবা মতমনি। মরম অসিনা শা-ষণ, য়েন, ঙানু ময়ামসি য়োক্তুনা রসায়নগী হার হাপ্পগী মহুত্তা মথি-ময়ুং ময়ামসি শীজিন্নদুনা ফৌ হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবা অমদি ফৌদা তাবা তীল-কাঙ ময়াম অসিসু ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নরগা ঙানুগী মচীঞ্জাক ওইদুনা হেন্না শেন্দোং লৈবা ফার্মিং সিষ্টম অমা ওন্থোকপা য়াই।

ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নদুনা অনীমক্তা কান্নহন্দুনা অমগা-অমগা কান্নরবা মরী লৈনহন্দুনা হেন্না পোথোক পুথোকহল্লি। অসিগুম্লবা ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবসি চহী ৫০০গী মমাঙদগী জপান্দগী হৌরকই। ঙানুগা ফৌগা পূন্না থামিন্নবা মতমদদি পাম্ফেলদগী লীংবনা হেন্না ফৈ। পাম্ফেল তৌবসিনা ঙানুনা চৎপা মতমদা ফৌ নেৎথৎপগী চাং য়াম্না ৱাংই। ঙানুশিং চথোক-চৎশিন্দা নুংঙাইহন্দে। ফৌ লিংদ্রিঙৈগী মাঙওইননা থাগদৌরিবা ফৌদুগী লৌরি নীংথিনা শেন্বীগনি অমদি লৈতেম মান্ননা শেমদ্রিঙৈদা হঞ্জিন-হঞ্জিন খোইদোকপীগনি। মসিগী মতুংদা রসায়নগী হার হাপ্পগী মহুত্তা ষন্থি মরাং কায়না লৈবা মফম ওইরগদি লৌফম হেক্টর অমদা ষন্থি নৎত্রগা কম্পোষ্টসি টন মঙাদগী তাদনা হাপ্পীগনি। ফৌ লিংবা মতমদসু ফৌ পান্বী অমগা অমগগী মরক্তা খরা লাউনা থন্বীগনি। য়ামদ্রবদা লিংবা মতমদা ২০ সী এম X২০ সী এমগী চাংদা লিংবনা হেন্না ফৈ। মসিনা ঙানুনা ফৌরক্তা চথোক-চৎশিন তৌবা মতমদা ফৌ নেৎশিনবগী চাং য়াম্না নেমহল্লি। ফৌ লিংবগী অতোপ্পা মওং অমনা লীগোৱো রো প্লান্টিং সিষ্টম হায়না খঙনবসিনা ফৌ লিংবা মতমদা ২৫X১০X৫০ হায়রিবা মওংসি মখাদা থমজরি।

ফৌ লীংখ্রবা মতুং নুমিৎ ৩০-৩৫গী মতুংদগী ঙানু মচা নুমিৎ ২০ দগী থা ফারবসি ফৌরক্তা থন্বীবা য়ারে। ঙানুশিংসি মফম অমদগী খরা অমদগী খরা লৌরগা ফৌরক্তা থাদবীরগদি ঙানুশিংদা লায়না লায়ওং খঙদ্রিঙৈদা পূন্না থম্মীন্নরগদি লায়না অমগা-অমগা লৌনরকপগী চাং ৱাংই। মরম অসিনা ওনবদা ঙাইরিবা ঙানুশিং পূন্না মফম অমদগী লৌবীরগা লোয়বীগনি অমদি মচীঞ্জাক নীংথিনা পীজবীদুনা লূ-নান্না থন্বীরগা য়োকপীগনি। ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নগদবা জগাদু কোয়না খাজিনবীগনি। ঙানুশিং ফৌরক্তা অহানবা পুথবা মতমদা নুমিৎ চূপ্পা ফৌরক্তা থন্বীরোইদবনি। হাপ্তা অনীমুক্তি মতম খরা-খরা থন্বীরগা পুখৎপীরক্কনি। মসিগী মতুংদা অসুম-অসুম মতমসি হেনগৎপীদুনা ফৌরক্তা থন্বীগনি। ফৌরক্তা ঙানু থন্বা মতমদা ঈশিং তুংহল্লগা থন্বীগনি।

লৌফম হেক্টর অমদা ঙানু ২০০ থন্বীরগদি নাপী হৌবগী চাং য়াম্না হন্থে অদুবু মসিগী হেক্টর অমগী লৌফমসিদা ঙানু মশীং হেনগৎলগদি অতোপ্পা তীল তাবগী চাং য়াম্না নেম্মী, লৈবাক লৈহাও হেনগৎহল্লি। ঙানুশিং অয়ূক্কী লৌফমদা থাদরমদাই অমদি নুমিদাং হোইজিল্লমদাইদা তোঙান্না মচীঞ্জাক খরা পীজবীগনি। ফৌনা লঙচাক লাকপা মতমদা ঙানুশিংদি ফৌরক্তা চাবদগী তোকহনবীরগা অতোপ্পা মফমদা থন্বীদুনা মখা তানা লোয়বীবা য়াই।




ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমীন্নবা মতমদা নাপী হৌবগী চাংসি চাদা ৯০গী চাংদা হন্থে। চুক অমদা মচা মশীং য়ামদ্রবদা ১১ হৌই, চরোং অমদা পানবা গ্রেনগী মশীং এভরেজদা ১৫০নি। পুনশিন লৌউসিদা ফংলিবসি মাগী বেনিফিট কোর্স রেসিওসি ২.৩৩:১নি অদুগা অমরোমদা ফৌ খক্তনা ফংলিবা রেসিওসিনা ১.১২:১নি।

**ফৌগা ঙানুগা পূন্না লোয়মিন্নবগী কান্নবশিং ঃ**

- পান্দোঙ অমদা য়াওগদবা ফৌ মচাশিংগী মশীং হেনগৎহল্লি, চরোং অমদা য়াওগদবা ফৌগী মশীংসু হেনগৎহল্লি। মসিদসু নত্তনা চাংচত্তা লূমগদবা ফৌগী অরুম্বগী চাং অমদি ফৌথোকসু হেনগৎহল্লি।

- ফৌরক্তা লৈবা মখল কয়াগী তীলশিং ঙানুনা ফাদোকহল্লি। শম্না হায়রবদা চহী মরি/মঙাসিদা য়াম্না তোয়না থেংনরিবা মখল কয়াগী হোপরশিং (লান্না ৱাহীক হায়নসু খঙনবা) ফাদোক্তুনা তীলশিং তাবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। মসিদসু নত্তনা ঙানুনা চৎপদা ঈশিংদা ওক্সিজেন মরাং কায়হন্দুনা ফৌ পান্বীদু শাহৌ ফনা হৌবা ঙমহল্লি।

- ঙানু মথীনা লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা নাইট্রোজেন, পোটাসিয়ম, ফোসফোরস, কেলসিয়ম অমদি সলফরগী চাং ৱাংহনবা ঙম্মী।

- ঙানুনা ফৌরক্তা চৎপা মতমদা লৈবাক্তা নুংশিৎ নুংশা চঙহনবদা অচৌবা মতেং পাঙই অমদি ফত্তবা গ্যাসশিং ফমজিন্দুনা লৈহন্দে।

- ঙানুগী মচিন্না হন-হন্দুনা চাবদা লৈবাকশিংদু হোম-হোম লাউহল্লি অমদি চৎপা মতমদা ন্যুত্রিয়েন্ট ময়াম ফাজিন্দুনা থন্বা ঙমহল্লি।

- ঙানুসু ফৌরক্তা লৈরবনিনা অফং-অফংবা মখল কয়াগী মচীঞ্জাক ফংবনা য়াম্না থুনা চাউহল্লি অমদি অহেনবা মচীঞ্জাক পীজবগী চাং হন্থহল্লি।

- ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবসিনা ইনকম হেন্না লাকহল্লি। ফৌ থাবদা চঙগদবা শেঞ্জং হন্থহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা ফৌথোক হেনগৎহল্লি। মসিগী মথক্তা ঙানুদগীসু অহেনবা শেন্দোং লাকহল্লি।

- ফৌগা ঙানুগা পূন্না য়োকমিন্নবনিনা ইন্সেক্টিসাইদ, কেমিকেল ফর্টিলাইজরগী চঙগদবা চাং হন্থহল্লি।

অসুম্না পূনশিন লৌউসিনা অকোয়বগী ফীভম ফগৎহনবদা নত্তনা ওর্গানিক ফার্মিংলোমদা খোঙ থাংজিন্দুনা অফবা চীঞ্জাক পুথোক্লবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং পাঙবা ঙমহল্লি। ●

# পান্বীশিংবু মচীঞ্জাক ফংহনবদা মতেং পাংলিবা অহিংবা জীবশিং বাইওফর্টিলাইজর অমসুং ওর্গানিক ফার্মিং

- ডা. ৱাইখোম জিতেন -

চীঞ্জাক হায়বসি অহিংবা জীবশিংনা হিংদুনা লৈনবা হোৎনবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মনুংদা অমনি। অসিগুম্বা চীঞ্জাক অসিবু পান্বীশিংদা ফংহন্দুনা পোথোক মরাং কায়না পুথোকপদা মতেং পাংলিবা পোৎলমশিংগী মনুংদা বাইওফর্টিলাইজর হায়রগা খঙনবা পান্বীশিংদা মচীঞ্জাক ফংহনবদা মতেং পাংবা অহিংবা জীবশিং অসি ওর্গানিক ফার্মিংদদি য়াম্না মরু ওই। মরমদি ওর্গানিক ওইবা লৌউ-কাঙলোন চঙশিনগে হায়বা মতমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মনুংদা পান্বীনা মচীঞ্জাক ফংহনবা অসিসু অমনি। বাইওফর্টিলাইজরশিং অসি নত্তনা অতোপ্পা ওর্গানিক ওইবা পান্বীগী মচীঞ্জাকশিং অসি পান্বীনা চাং য়াম্না ৱাংনা মথৌ তাই। মরম অদুনা মখোয় অদু ফংনবা হোৎনবা অদুগা মচীঞ্জাকশিং অদু পান্বীশিংদা হাপ্পবা হোৎনবা মতমদা কা হেন্না খূৎলং (থবক শূবা মী) চঙবগী অৱাবা মায়োক্লে।

বাইওফর্টিলাইজর হায়বসি পান্বীগী মরূ/মরাদা তৈহনখ্রগা নৎত্রগা লৌফম অদুদা তোৎশিনখ্রগা হৌরিবা পান্বীশিংবু মচীঞ্জাক ফংহনবদা মতেং পাংবা অহিংবা জীবশিং য়াওরবা মহী নৎত্রগা মফোল ওইনা শাবা পোৎলমশিংনি। মখোয় অসি শীজিন্নবনা পান্বীশিংদা মখোয়গী মথৌ তাবা মচীঞ্জাক্কী শরুক খরা ফংহনবদা মতেং পাংদুনা লৌউবদা শেল চঙবগী চাং হন্থহল্লি।

বাইওফর্টিলাইজরনা পীরিবা কান্নবশিং :- (ক) পোথোক চাদা ২০-৩০ ফাওবগী চাংদা হেনগৎহনবা ঙম্মী। (খ) নাইট্রোজেন অমসুং ফোসফরসকী চাং চাদা ২৫ হন্থনা শীজিন্নবা য়াহল্লি। (গ) মচীঞ্জাক পীবা খক নত্তনা পান্বীবু শাহৌ ফগৎহনবা ঙম্বা পোৎলমশিং পুথোক্তুনা শাহৌ ফগৎহল্লি। (ঘ) লৈবাক্তা কান্নবা পীবা হিংকুপশিংগী মশীং হেনগৎহল্লি। (ঙ) লৈবাক লৈহাও ফগৎহনবদা মতেং পাংই। (চ) ঈকংগী অৱাবগী চাং হন্থহল্লি অদুগা লৈবাক্তগী পোকপা লায়না খরদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই। (ছ) মমল হোঙনা ফংদুনা শেল য়াম্না চঙহন্দে। (জ) অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিনগদবদগী ঙাকথোকপদা মতেং পাংই।

বাইওফর্টিলাইজরগী মখলশিং :- (ক) নাইট্রোজেন ফংহনবা বাইওফর্টিলাইজর -

(অ) হৱাই কাঙলূপকী পান্বীশিংদা শীজিন্নবগীদমক রাইজোবিয়ম (আ) হৱাই নত্তবা পান্বীশিংদা শীজিন্নবা - এজোতোবেক্টর/এজোসপিরিল্লম (ই) চুগীদমক - এসিটোবেক্টর (ঈ) ঈশিং তুংবা ফৌগী লৌফমগীদমক - বি জি এ (ব্লু গ্রীন অলগি)/এজোল্লা।

(খ) ফোসফরস বাইওফর্টিলাইজর - Phosphalika (Phosphate solubilizing micro organism) অসি রাইজোবিয়ম/এজোতোবেক্টর/এজোসপিরিল্লম/এসিতোবেক্টরশিংগী মনুংদা অমগা লোয়ননা।

(গ) পোটাসিয়ম সোলুবিলাইজিং মাইক্রো ওর্গানিজম (ঘ) জিঙ্ক সোলুবিলাইজিং মাইক্রোওর্গানিজম (ঙ) ইলফর সোলুবিলাইজিং বেক্টরিয়া (চ) কম্পোষ্টকী মগুণ হেনগৎহনবা - Cellulolytic fungal culture, Phospholika অমসুং এজোতোবেক্টর

করম-করম্বা পান্বীশিংদা করম-করম্বা বাইওফর্টিলাইজর :- (অ) হৱাই মখলগী পান্বীশিং খুদম ওইনা শগোল হৱাই, হৱাইমুক, হৱাই থরাক, মাইরোংবি, হৱাই মুবী, লৈবাক হৱাই, পোং হৱাই/হৱাই অশাংবী, নুঙহৱাই, মুশোরিনচিংবা হৱাইশিং রাইজোবিয়ম অমসুং ফোসফোলিকা গ্রাম ২০০/২০০ মরূ কেজি ১০ খুদিংগী লৌবীরগা মরূদা তোৎপীগনি। (আ) হৱাই নত্তবা পান্বীশিং খুদম ওইনা চুজাক, চনাল, গেহু, হঙ্গাম অমদি অতোপ্পা মরূদগী থাবা পান্বীশিংদা এজেটোবেক্টর অমসুং ফোসফোলিকা গ্রাম ২০০/২০০ মরূ কেজি ১০ খুদিংগী লৌরগা মরূদা তোৎপীগনি। (ই) ফৌ থানবগীদমক ফোইদোক্লবা লৌহোনগী মরূশিং অদু এজোসপিরিল্লম অমসুং ফোসফোলিকা কেজি ৫ লৌ পরি অমগী লৌহন তিংবা কোন্নগদবা ঈশিংদা থিৎপীরগা পুং ৮-১০ ফাওবা তিংবীরগা লিংথোকপীগদবনি।

করম্না শীজিন্নবীগনি :- (অ) মরূদা তোৎপা :- নাইট্রোজেন বাইওফর্টিলাইজর, ফোসফোলিকা অমসুং পোটাশ সোল্যুবিলাইজিং মাইক্রো ওর্গানিজম গ্রাম ২০০/২০০ অদুগা চিনি অঙাংবা গ্রাম ২৫গুম্বনা ঈশিং মিলিলিটর ৪০০দা তুমহল্লবা মহীদা তোৎশিন্নবীরগা শেম্বা নং-নং লাউবা পোৎশেম অদুগা মরূ কেজি ১০গা লোয়ননা তোৎশিন্নরগা উরুম অমদা শন্দোক্তুনা মচুম খকহনবীগনি অদুগা য়ারিবমখৈ থিন্থদনা থাদোকপীগনি।

(আ) মরাদা তিংবা :- লৌহোন নৎত্রগা চারাশিং থাদোক্ত্রিঙৈদা এজোটোবেক্টর/এজোসপিরিল্লম অমসুং ফোসফোলিকাগা লোয়ননা শেম্বা মহীদা ফৌগীদমক পুং ৮-১০ অদুগা অতোপ্পা চারাশিংগীদমক মিনট ৩০ তিংবীরগা থাদোকপীগনি।

(ই) লৈবাক্তা হাপ্পা :- হাপ্পীগদবা বাইওফর্টিলাইজর কেজি ৪-৫বু কম্পোষ্ট (ষন্থি-ষণয়ুং/নাপী-শিংবীদগী পথু-পুমথহল্লবা পোৎলম) কেজি ২০০দা তোৎশিন্নবীরগা অহিং অমা থন্বীরবা মতুংদা লৌফমদা চাইখায়বীরগা তোৎশিনবীগনি।

বাইওফর্টিলাইজরগী কান্নবা চপ চানা ফংনবা পায়খৎকদবা থৌরাং :-

ক) বাইওফর্টিলাইজরশিং অসি অঙৈংবা অমা অকঙবা মফম ওইবগা লোয়ননা নুংশা য়ৈদবা মফমদা থন্বীগনি।

খ) চান্নবা মহৈ-মরোংগী চান্নবা বাইওফর্টিলাইজরশিং শীজিন্নবীগনি।

গ) বাইওফর্টিলাইজরশিং অসি অতোপ্পা হীদাক লাংথক অমত্তগা তোৎশিন্নবীরোই।

ঘ) বাইওফর্টিলাইজরশিং অসি শাবদগী শীজিন্নবা য়াবগী মতম অসি অকক্লে। মরম অদুনা শীজিন্নবা য়াবগী মতম হেল্লে/হেন্দ্রি য়েংবীবগা লোয়ননা মদুদা য়াওফম থোকপা সী এফ য়ু (কোলোনি ফার্মিং য়ুনিট) (মচা পোকথোকপা ঙম্বা মশীং) মফোল ওইবগীনা ৫X১০[৭] সী এফ য়ু/মহীগীনা ১X১০[৮] সী এফ য়ু য়ৌনা য়াওই/য়াওদে খঙদোকপীগদবনি।

ঙ) বাইওফর্টিলাইজরশিং অসি শীজিন্নবা মতমদা নাইট্রোজেন/ফোসফরস/পোটাশকী বাইওফর্টিলাইজরশিং পুন্না শীজিন্নবনা অফবা ফল ফংই।

চ) বাইওফর্টিলাইজরশিং খক্লা পান্বী অমগী মথৌ তাবা মচীঞ্জাক খুদিংমক পীবদি ঙমদে। মরম অদুনা বাইওফর্টিলাইজরগা লোয়ননা অতোপ্পা পান্বীদা মচীঞ্জাকশিং পীবীদুনা পোথোক হেনগৎহনগদবনি।

করিগীদমক মীয়াম্না বাইওফর্টিলাইজরবু পাক শন্না শীজিন্নদ্রিবনো:-

ক) বাইওফর্টিলাইজরশিং অসি পুথোকপদা য়াম্না খূৎলোয়রবা মীশিং, অফবা খূৎলায় মখলশিং চঙবনা মরম ওইদুনা পুথোক্লক্লিবা পোথোক খুদিংমক মগুণ য়াম্না লৈবা লোইনমক ওইদে। অমরোমদা অমুক বাইওফর্টিলাইজরশিং অসি লীদুনা থন্বা পুথোক পুশিন তৌবা অমদি শীজিন্নবা মতমদা কাঙলোন ঙাকত্রবদি চপ চাবা ফল ফংবা ঙমদে। লোয়ননা লমদম অমদা অফবা ফল পীবা বাইওফর্টিলাইজর খুদিংমক মফম খুদিংদা অফবা ফল পীগনি হায়না লৌবা য়াদে। মরম ময়াম অসিনা লৌমীশিংনা করিগুম্বা মতমদা থাজবা মাঙখিবা য়াওবদগী অতোপ্পা লৌমীশিংদসু শীজিন্নবদা নীংহন্নবা পোকহল্লি।

খ) শীজিন্নবগী হৈশিংবা মপূং ফানা লৈতবা :- লৌমীশিংদা বাইওফর্টিলাইজর হায়বসি করিনো হায়বগী মপূং ফাবা লৌশিং ৱাৎলিবা, করম-করম্বা বাইওফর্টিলাইজরশিং করম করম্বা মহৈ-মরোংশিংদা করম্বা মওংদা শীজিন্নগদবগে হায়বগী ৱাখল লৌশিং য়াম্না ৱাৎপনা বাইওফর্টিলাইজরশিংগী অফবা ফল ফংবা লৌমী মশীং য়াম্না নেল্লি। মরম অদুনা লৌমীশিংগী মনুংদা অমনা অমদা শন্দোকপগী চাং য়াম্না নেম্বনি।

ওর্গানিক ফার্মিংগী মায়কৈদা চঙশিনবদা পান্বীগী মচীঞ্জাক পীবগী লৈরিবা অৱাবা অসিদগী খরা মখৈ হন্থহন্নবা বাইওফর্টিলাইজরশিংবু শীজিন্নবীদুনা অফবা অওনবা লমদম অমা ওইবদা মীপূম তিংনা খূৎশম্নদুনা চঙশিনমিন্নরসি। ●

# ফৌদা তাবা শাথীবা লায়না : বেক্টেরিএল লিফ ব্লাইট

- লোংজম বোরিস -

Bacterial leaf blight হায়রিবা লায়না অসি *Xanthomonas oryzae pv. oryzae* হায়রিবা বেক্টেরিয়া মখল অসিনা থোকহনবনি। লায়না অসিনা তারবদি চাথোক ৫০% ফাওবা য়ৌনা হন্থে। লায়না মখল অসি জপানগী Fukuoka হায়রিবা মফমগী লৌমীশিংনা কুমজা ১৮৮৪-১৮৮৫ অস্বাইদা অহানবা ওইনা তাবগী পাউ পীরকই।

লায়না অসি অহানবদা মীয়াম্না অঙৈং-অশা অমদি অকোয়বগী ফীভম্না থোকহনবনি হায়না খন্নরম্মী। লায়না অসি Hori অমদি Bokura না কুমজা 1911 দা অহানবা ওইনা মশক তাকখি।

***বেক্টেরিএল লিফ ব্লাইট তাবগী মওং :***

Bacterial Leaf Blight হায়রিবা লায়না অসি পান্বীদা সিষ্টেমেটিক ওইনা নাবা লায়না মখল অমা ওই। Bacterial leaf blight নারবা পান্বীশিংদি ফৌনা নৌরিঙৈগী মতমদা মনা চাকথেকপা, মনা লাংবী অমদি ফৌনা খূৎলোনবা মতমদদা হেন্না শাথীনা তাবা থেংনৈ। পান্বীগী মরাদগী মচীঞ্জাক লৌখৎপদা অথিংবা পীরকপা মরম্না পান্বীশিং মতম খরগী মতুংদা খুইথরকপা থোকহল্লি। মপূং ওইনা লায়না অসি ফৌনা খূৎলোনবা মতমদগী হেন্না শাথীনা তাবা থেংনৈ।

পান্বীনা নৌরিঙৈ মতম হায়বদি হুনবদগী নুমিৎ ২১নি শুবা মতমদা খ্বাইদগী হেন্না শাথীনা তাবা থেংনৈ। লায়না অসিনা নারবা পান্বীশিং নাপু মচু অমদি চাউজন থীবা পান্বী ওইনা উগনি।

লায়না অসিবু থোকহল্লিবা *Xanthomonas* হায়রিবা বেক্টেরিয়া অসি লৈবাক লৈহাওদা থা অমদগীনা অহুম ফাওবা লৈবা ঙম্মী। নুংশা য়াম্না কা হেন্না শাবা মফমশিং (Tropical regions) দা লায়না অসি তাবা হেল্লি। ইন্দিয়াগী ওইনা জুন অমদি সেপ্টেম্বর থাদা লায়না অসি তাবা কা হেন্না হেল্লি। *Xanthomonas* হায়রিবা বেক্টেরিয়া অসিনা পান্বীগী মনাগী ষ্টোমাতা অমদি মনাগী মতাইদা য়াওবা ষ্টোমতাদগী চঙদুনা লায়না অসি নাহল্লি।

*Xanthomonas* হায়রিবা বেক্টেরিয়া অসি মরূনা শন্দোকপা (seed borne transmitted pathogen ) ওই অমদি মরু ওইনা নুংশিৎ, অহিংবা জীবশিং অমদি তীল-কাঙশিংনা শন্দোকই।

***বেক্টেরিএল লিফট ব্লাইট তাবা অসি ফৌ পান্বীনা নৌরিঙৈ মতমদা তাবা (Seedling wilt or Kresek) অমদি Leaf blight ওইনা তাবা য়াই।***

***Kresek (Seedling wilt)***

- লিংথোক্লবা মতুং চয়োল ১-৩ লৈরগা নাবা থেংনৈ।
- পান্বীগী মনাগী মতোন্দা অশংবা মচু ঈশিং হানবা মান্না উগনি, মতম খরা লৈরগা মনাশিং কোনশিল্লকপা অমদি পান্বী খুইথরকপা (wilt) থোকহল্লি।



*(Seedling wilt) Kresek (TNAU)*



***Bacterial Leaf Bligth*** **তারবা লৌফম (TNAU)**

***Leaf blight***

- নাপু মচুগী লোইরোইনবা দাগ মনা মতোন্দগী হৌদুনা মনাগী অশংবা থুংনা ওইরক্কনি। মতোনলোমদগী মনা খুইজিল্লকপা অদুগা ময়াংলেন (midrib of leaves) য়াওদনা খুইজিল্লকপা থেংনগনি।
- অয়ূক্কী লিক্লা তাবা মতমদা বেক্টেরিয়াগী মহী (ooze) লিক্লাদা পকপা থেংনগনি।

***Bacterial leaf blight ঙাকথোক্লবা লৌখৎপা য়াবা পান্থৈশিং :***

- নাপীশিং, চরূ অমদি মরূশিংনা শন্দোকই। য়ুরিয়া হার চাং কা হেন্না ৱাংনা য়াওবা মরম্না লায়না অসি কা হেন্না শন্দোকপা মরম ওই।
- মরূশিং হুন্দ্রিঙৈ 0.07% Agrimycin solution দা পুং ১২ তিংলবা মতুং 54°C তা মিনট ৩০ তিংলবদি লায়না অসি লৌফমদা তাবগী চাং য়াম্না কা হেন্না হন্থে।
- ফৌ মরূশিং Ceresan (0.1% ) দা পুং ৮গী চাংদা তিংদুনা থন্বা অমদি Streptocycline (3g /L) হাপ্পীরবদি লায়না অসি তাবগী চাং হন্থে।
- নাইট্রোজেন য়াওবা হার কা হেন্না হাপ্পীদবা অমদি লায়না তাবা উবীরবদি নাইট্রোজেন য়াওবা হার কা হেন্না হাপ্পীরোইদবনি।
- লৌফমদা কা হেন্না নাপী হৌবা অমদি লায়না তারবা লৌফমদগীনা তাদবা লৌফমদা কা হেন্না ঈশিং চাইহনবীরোইদবনি।
- লৌফমদা কা হেন্না কূঙনা ফৌ থাবনা লায়না অসি শাথীনা তাবগী চাং হেনগৎহল্লি।
- Streptomycin sulphate + tetracycline sulphate অমদি copper oxychloride হায়রিবা হীদাকশিং অসি চাইবীরবদি লায়না অসি তাবা হন্থে।
- লৌফমদা ঈশিং কা হেন্না কুইনা তুংহন্দবা অমদি ঈশিং তোয়না শান্নবীবনা লায়না অসি তাহন্দবদা চাউনা মতেং পাংই।
- Plantomycin 1g/liter @200L/acre নত্রগা Streptomycin (150mg) + copper oxychloride 1g/L গী চাংদা নুমিৎ ৮নি পান্নরগা অনীরক কাপ্পীবনা লায়না অসি তাবদগী চাউনা কনবা ঙম্মী।●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্বীজ -১১৪গী ৱাহং

১) "নুংশিবদি অঙাওবনি, মফম মতম, ধর্ম্ম অমদি চহী অসিগুম্বগী ৱাখল অমত্তা মঙোন্দা লৈজদে হায়বগী ৱাখল ঈচেল অদুনি ৱারীসিগী পরিংদি, থুংনবা কায়নবনা অমনি।"

ৱাহৈ পরেং অসি লাইরিক অমগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা ফোঙদোকপনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) "ৱাকয়ৈ হি অমগা ঙাফা ইন অমগা ঐখোয় বাবানা লৈরনি হায়য়ে, ঐখোয়গী"।

ৱাহৈ পরেং অসি অতোপ্পা লোলদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অমগী অহৌবদা য়াওবা ৱাহৈ পরেং অমনি। ত্রান্সলেটর অসিগী মমিং হায়য়ু। মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসিগী মমিং করিনো?

৩) "ঐগী ৱারী" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৪) "মচাথোই অমসুং লাইচনুরা" হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো?

৫) "চীংনুংগী সনা লোক্তগী" হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।